# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-39

**(Increase soil salinity)**

*Script :*
**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) মেরাজাও - লৌমী (২) শিলহেনবা - সোইল সাইন্টিষ্ট
(৩) তোনথোইবা - লৌমী পাখং
নুপী:- (১) থন্বালঙৌবী - মেরাজাওগী নুপী
(২) মেমীসনা - এগ্রিকলচর ওফিসার (লৈশাবী)

(মতম:- অয়ুক অঙনবা, মফম: মেরাজাওগী য়ুম, শা-ষণ খোংবগী মখোল)

থন্বালঙৌবী :- হায় অঙৌবী... অমুবী... অঙাংবী... কৈনো নোয়না পংখোংদা খোংলিদুবো... নোয়সে নচিন্দু ঙহাক্তা ফাওবা লেপ্পা য়াদে, হৌজিক্তা চরু কল্লগা হাপলম্বদা ঙাইরি অমুক লোয়থোকখ্রবরা, হন্দক্তি শজিক হানৌসু অমতা নীংথি নুংঙাইনা হৌদ্রবনিনা শজিকসু নবুক থন্নবা ফান্নিংঙাই মফমসু লৈশিল্লক্তরে। নখোয়গী নবুক থন্নবা হোৎনবদা ঐসু অৰাবা অমা ওইরে (য়ৌ য়ৌ ঙাংবা)।

মেরাজাও :- থন্বালঙৌবী নঙগী নচিলসে ঙহাক্তা লেপতেহে অয়ুক ঙন্তাসিদা বেদ্রেং বেদ্রেং শৈরেং থীবদৌনা থীদরকইহে।

থন্বাঙৌবী :- হায়মা ! ঐদি ঙসাইনা লৌবুক চৎখ্রবোয় খল্লুরে, মোয়পাবদি ঙন্তা ফমুংদগী হৌগৎখ্রগা মাঙ্গোল উখোকতেন্দুদা ঙারগা শুকথদুনা লৈরমলিদুনা করি অমুক তৌরবা, করি তৌরগে হায়বনে... মোয়পাবাগী কোক চীকপীদু অমুক হৌরবরা হায়বনে?

মেরাজাও :- কৈসু তৌদেবা, লৌবুক্তু চৎপু চৎলগুমসিরা খল্লিবা, চৎলুরগা করিবু কান্ননি।

থন্বালঙৌবী :- কৈনো হায়রিদুবো, লৌমী ঐখোয়না লৌবুক্তা চৎতুনা লৌউবগী থবক তৌদ্রবদি ঐখোয়দি করিসু নোমদুনা হীংগদৌরিবা।

মেরাজাও :- মমাং চহিদসু ফৌথোক য়াম্না হন্থখি, হন্দকসু ফৌথোক লৈরোইদৌরি, ফৌহাম লোয়না শাৎহৌরে মরু চংবা ফৌদি অমতসু য়াওহৌদরে (স্বর শাংনা হোনদোকপা) মীগী পুশিল্লুরিবা পৈশাশিংসিনা করম তৌরগা কমায়না শিংগনি খল্লুবদা ঐদি লৰায়গা পুংশা শারে।

থন্বালঙৌবী :- (পাখৎপা) অদুদি কমায়না তৌগনি, ইচাশিংগী মহৈ-মশিং তম্বনা করম তৌগনি মখোয়গী স্কুলগী ফীনা কদায়দগী লৌরগা হুনগনি...।

মেরাজাও :- খঙদ্রে খঙদ্রে করি উপাই তৌগদবনো খনফম অমা খঙদ্রদুনা তুমিন ফল্লমলিবসিনি।

থম্বালঙৌবী :- ঙায়খোনে মোয়পাবা, ঐখোয়বু ফৌসু চাথোক লৈবা অফবা মখল খল্লগা থাখিদাইনে, হারসু ফনা য়াম্না চাইখিবদাই অদুগা করিগীনো চাথোক্লা অসুম অসুম হন্থরক্লিবসিবো?

মেরাজাও :- হোয়নে, অফবা ঙাক্তা খল্লগা থাখিবনি, মীঙোন্দগী শেন্দোয় ৰাংনা কারগা পুরুবা পৈশাশিংদুনা হারসু মতিক চানা লৈদুনা চাইখ্রিবনি অদুবু করিমতা কান্নবা লৈতরে, খঙদরে খঙদরে করি উপাই তৌগদবনো?

তোনথোইবা :- (থোঙ্গালদগী কৌরকপা) ইনে... হো ইনে... মাম্মা মেরাজাওবু লৌবুক্তা চৎখ্রবরো...।

থম্বালঙৌবী :- তোনথোইবা ! নোয় মাম্মদি লৌবুক চৎকদবা তনবু তল্লে হায়দুনা চৎত্রিয়ে, নঙবু লৌবুক চৎকে তৌরিবরো, লাকখোদনা চংঙকখোদনা ঐখোয়দা...।

মেরাজাও :- হায় তোনথোইবা লাকখো লাকও চংঙকখো, ৰা অমতা তান্নখিসি মাম্মগা।

তোনথোইবা :- (চংঙকপা) কৈদৌরগে মাম্মা, কৈদৌবা য়াওরবগে, ঐসু তল্লি তল্লি লৌবুক অমুক্তদি য়ৌরুখিগে হায়দুনা য়ুমদগী থোরক্লিবনি।

মেরাজাও :- ঐদি লৌউবগী থবকসি তোকপু তোল্লকসিরা খল্লে, চহি খরসিদা লৌউবদা থাদরিবা পৈশাসিগা পোৎথোক্কা য়াম্না খেন্নরে, পোৎথোকসিনা অসুম হন্থরক্লবদি হীংবা ঙমগদবা মাল্লক্তরে।

থম্বালঙৌবী :- হায়গুম্লদনা তোনথোইবা ঐখোয়গীদি পোৎথোক ফজনা থোক্লকত্রিবসি চহি অমা অনি শুজিল্লক্লে, নঙগীদি কমায় তৌরি, ফৌ অদুমক ফজনা থোকপরা নঙগী লৌফমদি।

তোনথোইবা :- কদায়দগীনোদা ইনে, ঐগী লৌফমদুসু চাথোক ফজনা থোক্লক্ত্রিবসি কুইরক্লে, হার ফনা য়াম্না চাইদুনা হোৎনরবসু করিমতা কান্নদরে, মথং চহিদি লৌবু উররোইসিরা খল্লিবনি ঐদি।

মেরাজাও :- খঙদে ঐসু করি তৌগদবনো খল্লিবনি, হীংননবা উপাই অমদি তৌদবা য়াদে ঐখোয়, লৌউশিংউবগী পোৎথোক অসিনা অসুমক হন্থখ্রবদি ঐখোয়দি হীংবদি য়াম্না ৰারনি।

থম্বালঙৌবী :- মোয়পাবা মমাংলৈকায়গী ইচে পান্থোইগী মচানুপী অমতা পোকচবী মমিংদুবু ... আ করি হায়বনোনে ... উম... আ আ মেমীসনা... মেমীসনা হায়বা ওইরমাল্লে।

মেরাজাও :- অদু কৈদৌরগে... ঐখোয়না ফৌথোক লৈতবগী ৰারী শান্নরিঙৈসিদা নঙনা মেমীসনা অমুক পুশিল্লক্লিসিনা করিগীনো, নঙসে ফরক্তি ফজনা তাবজাৎনি।

থম্বালঙৌবী :- ফরক তাবা নৎতেনে ঐনা মেমীসনাগী ৰাফম পুশিল্লক্লিবসে ঐখোয়গী ফৌথোক হন্থরক্লিবসিদগী কন্ননবা উপায় অমা ওইগদৌরিবনিনে।

তোনথোইবা :- মাম্মা ! ইনেনা মেমীসনাগী ৰাফম পুশিল্লক্লিবসিগী মরম ঐ খরা খরা ভাব তারকপগুম তৌরক্লে।

মেরাজাও :- করিনোনে ইবুংঙো, মাম্মদি ভাব তারকপদি লাইরদনা গ্যানবু হেন্না হেন্না মমশিল্লক্লে।

থম্বালঙৌবী :- তোনথোইবা, নঙ ইনেনা হায়রিবা ৰাফমসি ভাব তারে হায়রবনিনা নোয় মাম্মসে খরা শন্দোক্লা অমুক্তা তাক্তুনা গ্যান তাহল্লুসে।

তোনথোইবা :- অদুবুরো মাম্মা, মেমীসনাদু এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট হায়দি লৌউশিংউ লোইশংগী দিপুটি দিরেক্তর ওইরে হায়বনি, ঐ পাউ তাবদি কুইরবনি, অদো মাম্মা, মেমীসনাহোয় ঐখোয়সে স্কুল লমতদা লাইরিক তম্মিনরকপা ইমান্নবা মশেলনিদো, ঐদি লাইরিক মখা ফজনা তমথহৌদ্রবনিনা লৌমী ওইদুনা লৈহৌরে মানা ওফিসার অচৌবা ওইখরে অদুদা ইকায়দুনা ঐ অদুম মাগা উন্নবা চৎলুদ্রবা।

মেরাজাও :- নঙদি করিগী ইকাইগদৌরিবা হা, ঐখোয় লৌমী লৈরমদ্রবদি মালেমসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা মনা-মশিং, মহৈ-মরোং, উহৈ-ৰাহৈশিং অসিদি কদায়দগী চাদুনা হীংগদৌরিবা, লৌমী ঐখোয়না মীওইবগী পুকচাক পুথোক্লিবনি কৈদৌবগী ইকাইগদৌরিবনো।

থম্বালঙৌবী :- চুম্মী নোয় মাম্মনা হায়রিবসি ঐসু য়ানিংঙি, ঐখোয় করিমতা ইকাইফম থোক্তে। অদো মোয়পাবা ঐদি ইবেম্মা মেমিসনা অমুক্তং উনরগা ঐখোয়গী লৌবুকশিংসিদা চাথোক হন্থরক্লিবগী মরমসি অমুক্তং তান্নরুবনা ফগদরা খল্লি, মানা উপায় অমদি শোয়দনা তৌবীরক্কনি থাজে।

মেরাজাও :- হোয়নে মদুনা ফগদবা মাল্লে, অদুদি হৌজিক হেক্তা চৎলুরসিরা ঐবো।

থম্বালঙৌবী :- হুম হৌজিক্তি থেংলে, হয়েং অয়ুক ঙন্তা ওইনা চৎপীরো। তোনথোইবা ! নঙসু নোয় মাম্মগা চৎমীন্নরুদনা।

তেনথোইবা :- (মতোমতা শুরু শুরু ঙাংবা) উম... অস... ইদি ইকায়খ্রেদা, মীগী মচা ওফিসার লৈশাবীদুগী মনাক্তা লৌমী ফুৰাওনবা ঐনা কমাইনা চৎতোয়নোনে তৌরিসিবো...।

মেরাজাও :- কৈনোনে মসিবো... মতোমতা মুরুম মুরুম শোল্লিসিবো...। হায় তোনথোইবা নঙ হয়েং ঐনা মেমীসনাহোয়দা চৎপদুদা লাক্কে হায়রিবরা লাকওই হায়রিবরা নঙবো...।

তোনথোইবা :- আ... মাম্মা... আ লাক্কে (খঙহায় হায়বা)।

থম্বালঙৌবী :- (নোকপা) হুম তোনথোইবা নঙসিদি মতাং চাদনা ইকাইগনখ্রবা হায়দু ওইরে, ইকাইরুনু ইকাইরুনু (নোকপা)।

-ম্যুজিক-

(মফম: মেমীসনাগী য়ুম, মতম:- অয়ুক, নুংশিবা উচেক ৱায়াগী খোঞ্জেল)

শিলহেনবা :- মেমিসনা লৈবরো... মেমীসনা... মেমীসনা ... মেমিসনাহোয়গী ময়ুমনি হায়দুনা ঐনা চংলক্লিসিবু ওন্নরজাৎলনে, কনামতবু লৈতা মাল্লেনে য়ুমসিসু, অমুক্তংগা কৌরগা য়েংখিগে হন্দকমুক খুল্লক্ত্রদি হনখ্রগে...। মেমীসনা ... মেমীসনাবু লৈবীবরো... হো য়ুমসিবু কনামতা লৈবিদবরো...?

মেমীসনা :- (থোরকপা) হায়মা সার কদোমদগীনো তৌবীরকইসিবো য়াম থাজদনা, হেক্তা চংবীরকও সোমদা হেক্তা... সিদা সোফাসিদা হেক্তা ফম্বীয়ু সার।

শিলহেনবা :- নোয়গা থংনবা খুনসিদা ঐগা য়াম্না লুনা তিন্নবা ইমান্নবা অমা লৈ, মানা মোয়গী খুনগী লৌফম অয়াম্বা পোৎথোক হন্থরে অদুনা মখোয়গী লৌফমশিং অদুগী সোইল টেষ্ট অমুক্তা তৌথোকসি হায়রকপদুদা সোইল সেম্পল কলেক্সন তৌবা ওইনা মোয়দা চৎলুবনি, হল্লকপদা লম্বী থোকপদুদা নোয়দসু ঙহাক চংলমগে খন্দুনা চংলকপনি।

মেমীসনা :- সারনা ঐখোয়দা চংবীরকপসে হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইজরে, ঐসু সারগা অমুক্তং উন্নজনিংদুনা লৈরম্লিবনি, সারনা ঐকোয়দা লাকপীবসে তান য়াম্না চারে। ঐখোয় খুনগী লৌবুক অয়াম্বসু হৌজিক চাথোক য়াম্না হন্থরে অদুনা ঐখোয় খুনগী লৌবুকশিং অসিগীসু সোইল টেষ্ট তৌথোকপা দরকার ওইরে খনজৈ সার।

মেরাজাও :- (মপান্দগী কৌরকপা) ইবেন্মা... ইবেন্মা ... মেমীসনা ... মেমীসনা লৈবরো...।

শিলহেনবা : - মপান্দা কনানোন্মা কৌবা মাল্লে অমুক্তা য়েংলুচো, ঐগী রিছার্চ এসিষ্টেন্ট নুপামচা অনিদুসু আ নোয়গী থোঙ্গালদা গাড়ীদা অদুম লৈরন্মু হায়দুনা থনম্বনি।

মেমীসনা :- হোয় সার, মোয়সু অদুম ইমুংদা চংহনবীরকপা য়াবদুবু... (থোকখিবা মপান্দা) আ কনা ওইরবনো কৌবীরিবদুবো?

মেরাজাও :- ইবেন্মা ঐখোয়নি, ইবেন্মা অমুক্তা উন্নজগে হায়দুনা লাকচরিবনি।

মেমীসনা :- খুরাহোয় ওইরে, করি লৈরগে হেক্তা চংবীরকও, তোনথোইবা নঙসু লাকইরো, লাকও চংঙকও, ইমুংদা ওইনা ফম্মুসি লাকও।

তোনথোইবা :- হোয় ঐসু লাকইয়ে, উন্নদবসু কুইরে হায়দুনা নঙ উন্ননিংদুনা মাম্মগী মতুং ইন্দুনা হেক্তা লাকঅবা।

মেমীসনা :- সার ! লাকইবসে ঐখোয় লৈকায়গী ইখুরাশিংনি অদুগা মানা ঐগী অঙাং ওইরিঙৈগী ইমান্নবা তোনথোইবনি।

মেরাজাও :- ইবুংঙো সারসিনা কনানো ইবেন্মা?

মেমীসনা :- খুরা ! ঐখোয়গী সারগী মীংনা শিলহেনবা কৌই, সোইল সাইন্টিষ্টনি, লৈবাক লৈহাওগী মরমদা লেপ্পা লৈতনা থিজিল্লিবা ভারতকী মমীং লৈরবা সাইন্টিষ্টশিংগী মনুঙদা অমা ওইরিবনি।

শিলহেনবা :- খুরুমজরি খুরা, খুরাগী মীংনা করি কৌবীবা?

মেরাজাও :- ইবুংঙো ! খুরাগী মীংদি ইমা ইপানা মেরাগী ঈশিং ইচাও মরক্তা পোকই হায়দুনা মেরাজাও হায়না থোনবীরম্মী।

শিলহেনবা :- খুরাগী মীংসিদি য়াম্না ফজে, অদো খুরাহোয়গী খুনসিদদি লৌউশিংউবগী ফীভমদি করম করম তৌবীরিগে।

তোনথোইবা :- সার, ঐখোয়না লাকচিরবসিসু ঐখোয় খুনগী লৌউশিংউবগী পোৎথোক হন্থরক্লিবসিগী মরমদা খন্নজগে হায়দুনা লাকচরিবনি, সারগা উন্নজবসিসু তান য়াম্না চারে, সারদগী ঐখোয়না খঙজনিংবা পুন্নমকসু খঙজবা য়ারগনি।

মেমীসনা :- খুরা ! পান্বীশিংনা পোৎথোক পুথোকপগী চাং অসি পান্বীশিংদুনা হৌরুরিবা লৈবাক লৈহাওগী মওং মতৌ অমদি ঈশিংগা য়াম্না নক্নবা মরী লৈনৈ।

শিলহেনবা :- পান্বী, মনা-মশিং অমদি মহৈ-মরোং ফজনা হৌবা অমদি পানবগা লৈবাক লৈহাওগী অশিন-অয়াক, লৈবাক লৈহাওদা য়াওরিবা মিনরেলশিংগী চাংগী মখা পোল্লি।

মেরাজাও :- ইবুংঙো, খুরাগী লৌফমশিংদদি পান্বীনা দরকার লৈবা হারসু মতিক চানা অদুম হাপ্পী, ঈশিংসু মতিক চানা লৌখোংশিংদগী চীংখৎলগা ৱাৎতনবা থাজিল্লি অদুগা করিগীনো পোৎথোক্না অসুম অসুম হন্থরক্লিবা।

শিলহেনবা :- খুরা, লৈবাক লৈহাওগী শরুক অসি মিনরেল অমদি ওর্গানিক মেটরশিংনা শেম্বনি, লৈবাক লৈহাওগী য়াম্না মরুওইবা শরুক হ্যুমস সোইল হায়রিবসিদা পান্বী অমনা হীংবদা চংবা পোৎচাক খুদিংমক য়াওরিবনি। পান্বীগী মরানা লৈবাক্তা য়াওরিবা মরুওইবা পোৎচাকশিং পুন্নমক চুপখৎলিবনি, লৈবাক লৈহাওগী শরুকসিদা মিনরেলগী চাং অসি য়াম্না হেন্না য়াওবা নত্রগা য়াম্না ৱাৎনা য়অওরবদি পান্বীশিংনা ফজনা হৌবা ঙমদে অমদি পোৎথোক ফজনা পুথোকপা ঙমদে অদুনা খুরাগী লৌফমদুদগী সোইল সেম্পল লৌরগা টেষ্ট তৌথোক্লগা করম করম্বা ন্যুট্রেনন্ত ৱাৎলিবা, হেল্লিবা হায়বদু খঙদোক্লগা করি করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্নরসি।

তোনথোইবা :- সার ! ঐখোয়না লৌউশিংউবদা শিজিন্নরিবা ঈশিং অসিদি টেষ্ট তৌথোক্লোইদরা?

শিলহেনবা :- লৌউশিংবদা শিজিন্নরিবা ঈশিং অদুসু টেষ্ট তৌগদৌরিবনি, হৌজিক্তি ঈশিংগী শরুকশিং অসিদসু কন্তামিনেসনগী চাং য়াম্না ৱাংলবনিনা মিনরেলগী শরুকশিং মরুওইনা সোল্টকী শরুক চাং ৱাংনা য়াওরকপনা মরম ওইরগা পান্বীশিংনা চাথোক হন্থরক্লবা মরম অমসু ওইরক্লি।

মেমীসনা :- অদুদি সার খুনসিগী তোঙান তোঙানবা লৌফমশিংদগী সোইল সেম্পলশিং অমদি লৌখোংশিংদগী ৱাটর সেম্পল কলেক্সন তৌরুরসি।

মেরাজাও :- অদুদি ইবুংঙো সার, ঐখোয় পুল্লপ হেক্তা চৎমীন্নখ্রসি।

-ম্যুজিক-

(মফম: চীংয়াগী লন্বী, মতম: নুংশা শাগৎলকপা মতম, লাপ্পা উচেক-ৰায়ানা খোংবগী মখোল তাবা)

থন্বালঙৌবী :- আদা কার অঙাংবা অমা থৌদুনা লাকইসিবো কনানোনে... অসিবু মেমীসনারনে.... মানদি মানখরেদা... মানিদা মাদি সোমদা লৌবুক্কী লন্বীরোমসিদদি কৈদৌবা লাকইজাৎনো...।

মেমীসনা :- ইন্দোল... ইন্দোল থন্বালঙৌবী নৎতবরো, কদায়দা চৎলিনো ইন্দোলবো (গাড়ী খংখাম খান্বা)।

থন্বালঙৌবী :- হায়মা ইবেম্মা, মেমীসনা ! ইন্দোলসু নঙ মাল্লি হায়দুনা য়েংলল্লিনিনে, হো নোয় খুরাগা তেনথোইবগদো লৌবুক্তা চৎকনি হায়দুনা ঙসাই অয়ুক ঙন্তাদগী চৎখিবনি হৌজিক ফাওবা হল্লক্তবদুদা কৈদৌরবনো য়েংলুগে হায়দুনা চৎলিবনি, নঙদি কদায়দা চৎলিবনো?

মমীসনা :- ঐখোয় খুনগী লৌবুক্কী ফিভমশিংশে করম তৌরি অমুক্তা সুম য়েংগে হায়দুনা লাকপনি, ঐসু খুরাগা তোম্থোইবগসু উন্ননিংঙি চৎমিন্নখ্রসি লাকও ইন্দোল।

থন্বালঙৌবী :- লাকও লাকও চৎশি লাকও, নঙগী গাড়ীদো স্বাইদসুম খামলল্লো।

মেমীসনা :- হোয় ইন্দোল, চৎশি লাকপীরো, সিদগী লৌরিসিদা হেক্তা কুমথরগা চৎলসি।

থন্বালঙৌবী :- ইবেম্মা, চহি কয়াগী মমাংদগী ঐখোয় খুনগী লৌবুকশিং অসিদা ফৌ থাদুনা লাক্লিবনি, চাথোক পুথোকপদসু খুন অসিনা অতোপ্পা খুনশিংদগী য়াম্না হেনলমলিবনি অদুবু হন্দক চহি খরাসিদা চাথোক খঙহন হন্থখ্রিবসিবু করিগীনোনে ইবেম্মা।

মেমীসনা :- ইন্দোল হৌজিক মালেমসিদা অইং-অশা, নোংজু নুংশাগী খল কাইথরকপদগী হান্না লৈজরম্বা মহৌশাগী ফীভমদা অহোংবা অকায়বা কয়া থোকহনলকপদগী চাথোক হন্থহলক্লবগী মরম অমসুং ওইরিবনি, খুনগী লৌফম অয়াম্বদগী সোইল সেম্পলশিং হায়বদি লৈবাক লৈহাওগী শরুকশিং টেষ্ট তৌনবা সার শিলহেনবনা পুখ্রবনি ঙসি নোংমা নিনিসিদা রিজল্টসু শোয়দনা ফংলগনি অদুগা চপ চাবা মরমসু খঙলগনি।

থন্বালঙৌবী :- ইবেম্মনা হোৎনবীদুনা খুনসিগী লৌমীশিংগী অৰাবা অসি অমুক্তা কোক্লবা উপাই তৌবীয়ু।

মেমীসনা :- ইন্দোল, ঐনা হেক ঙল্লিবমখৈ খুনসিগী লৌউ-শিংউবগী ফীভম ফগৎননবা হোৎনজগনি, ঐনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা থবক তৌজরিবা অসিসু লৌমী ময়ামগী য়াইফনবা থবক খরদংদা ওইরবসু তৌজগে খনবদগীনি।

থন্বালঙৌবী :- নোয় খুরাগা তোনথোইবগদি অদা অশোম লৌবুক মতায়সিদা লৈরেহে। হো মোয়পাবা তোনথোইবা নোয়বু অদুদা কৈদৌরিগে... (কৌবা)।

তোম্বোইবা :- মাম্মা! অদা ঐখোয়বু কৌরিসিবু ইনে নৎত্রনে..... এ! মেমীসনাসু য়াওরিনে মাদি সিদদি কৈদৌবা লাকইজাৎনো.... ইস! ঐগী ফীভমসিগা লৈখোমও লৈনাংও.... উম ঙসিসে চোপ্লো হায়বা নুমিৎতো ওইরমানলে..... খুরা ঐ অশোমদা খোঙনাং মরুমসিদা ঙহাক্তা লোৎলুখিগে।

মেরাজাও :- কৈনোনে মসি পাখংসিবো, লৈশাবী লাক্লগা হরাওগেদি হায়দ্রগা, লোৎলুখিগে হায়রিসিবো হায় তোনথোইবা ঙাইখোনে নঙবো........ তোনথোইবা ..... (কৌবা)।

থম্বালঙৌবী :- কৈনো মোয়পাবা অদুক কন্না লাওবিরিদুবো কৈদৌরগে, তোনথোইবনা কদোমদা লৈখ্রগে।

মেরাজাও :- আ খঙদেনে ঐসু....... হৌজিক্তা লৈরম্বনি কদোমদা অমুক চৎখ্রবজাৎনো....... আ ইবেম্মা! মেমীসনা কদোমদগীনো ইচানা তৌরকইসিনা, কদায় কদায় চৎলুবনো নঙবো?

মেমীসনা :- খুরা ঐ লৌবুকশিংসে সুম য়েংগে লাকচবনি, লম্বীদা ইন্দোল থেংনবদুদা খুরাহোয়সু উনরুগে খন্দুনা অদুম লাকমীন্নরবা, তোনথোইবদুবু হৌজিক্তা উখিবগুম তৌবনি, মাদি কদোমদা লৈখ্রগে?

থম্বালঙৌবী :- এ! ইবেম্মা নোয় খুরাদা হংঙুরনু তোনথোইবদু, নোয় খুরাদি খঙঙি হায়রকঅরোই ইন্দোল তোনথোইবগী লৈফম খঙঙি, ইন্দোল কৌগে মানা থোরকতবা ঙম্বরা য়েংগে....... হো তোনথোইবা........ হো তোনথোইবা নঙবু খোঙনাং মরুমদুদা তুমপক তাশিনলগা লৈরিদুবু কৈদৌরিনোনে, লাকওনে সিদা থোরকলোনে, মেমিসননা নঙগা উননিংমালেনে।

মেরাজাও :- লাকও লাকও থোরকলো লাকও, কেকু লোৎপী শান্নবদা মীনা ফোংখিবনা হানলেহে তোনথোইবা........ (লাওনা হায়বা)।

তোনথোইবা :- (ইকায় ইকায় থোরকপা) আ মেমীসনা লাকইরো, নঙদি লৌবুকশিদা কৈদৌবা লাকইনো লৈখোম তৈন্নবা, ওফিসতি কাদ্রবরো ঙসিবো।

মেমীসনা :- ঙসিদি ছুটিনি, ঐসু নোং ফাদোক লৌবুক্তা লাকপা য়াইনা, অঙাং ওইরিঙৈদা লৌবুক্তা পেরুক, য়েলাং, কেঙোই হেকপা, কৌখা কৌথুম তানবা নঙগা লোয়ননা চৎমীন্নরকপাগদু লোয়না কাউরবো নঙবো।

তোনথোইবা :- অদুবুদি কাওদ্রিবা, অদো নঙদি হৌজিক লাইরিক লাইসু মতিক চানা হৈদুনা মীয়াম্না শকখঙনরবা ঐগ্রিকলচর ওফিসার ওইরে অদুগা ঐনা লৈখোম লৈনাং তৈবা লৌমী ওইদুনা লৈহৌরে।

মেমীসনা :- অস! নঙসিমা কদাই কদাইদগীনো ঐনা খনলুদবা ৱা ঙাক্তা, মালেমসিদা লৌমী হায়বসি লৈরমদ্রবদি মীওই অমতা হীংদুনা লৈরমলোয়, ঐখোয়না হৌজিক তৌগদবা হায়ববু অফবা মখল, হকচাংদা কান্নবা পীবা চীঞ্জাক করম্না মীওইবশিং অসিনা চাবা কোন্নবা পুথোক্কদগে হায়বসিনি।

| | | |
|---|---|---|
| থন্বালঙৌবী | :- | মোয় পাবাগা তোনথোইবগনা লৈখোম লৈনাং ইতৈ তৈখৈ লৌবুক মতাইগী খোঙবানসিদা লৈরম্লিবসিনা করি তৌরমলিনো? |
| মেরাজাও | :- | হেরা থন্বালঙৌবী নঙসিমা হেক্তা পংহংদা হংগৎলকই, হো খোঙবানসিদা পোরোম অচৌবা অমা চারগা লৈবা থেংনরুরে অদুদা ফাসিরা হায়দুনা তৌরম্বনিদা, নঙনা লাওবা তাবদা পোরোমদো খঙদুনা চেনখরে। |
| থন্বালঙৌবী | :- | হুম নোয়না ঙা ফাবদি হৈজদ্রগা, ঐঙোন্দা অমুক তাইশিন্নবিরকইনে (শাওবা)। |
| মেমীসনা | :- | (ফোন রিং লাকপা) এ! সিদি সার শিলহেনবনিনে ... (ফোন রিসিপ্ত তৌবা) হল্লো...সার ..... আ হায়বীয়ু...। |
| শিলহেনবা | :- | মেমীসনা! ....... ঐ নখোয় খুনগী সোইল সেম্পলশিং অমদি ঈশিং সেম্পলশিংদু টেষ্ট লোয়না লোইরে, হয়েংসে রিজল্টশিংদু পুরগা নোয়দা ওইনা হেক্তা লাক্লগে....। |
| মেমীসনা | :- | অদুদি য়াম্না নুংঙাইজররে সার, সারনা পংৱা ৱাবীরে, রিজল্টতুদি ঐনা অদুম লৌবা লাকঅসু য়াবনি সারনা অমুক ৱানা থিনবীরকত্রসু...। |
| শিলহেনবা | :- | ঐনা লৌমী ইচিল ইনাওশিংদুগসু উনদুনা ৱারী ৱাতাই খরা সুম তৌনিংবা, মখোয়দা হৌজিক ওইরিবা সোইলগী কন্দিসনশিংগী মরমদসু খরা খঙহন্নিংবা অদুনা ঐ ওইনা হেক্তা লাকপনা খুদোংচারনি। |
| মেমীসনা | :- | অহোয় সার, য়াম্না ফগনি অদুদি হয়েং অয়ুক হেক্তা লাকপীরো ঐ ঙাইদুনা লৈজরল্লগে। |
| শিলহেনবা | :- | ওকে, সি য়ু টুমোরো। |
| মেমীসনা | :- | ওকে, সার, থেঙ্ক য়ু। |
| মেরাজাও | :- | ইবেম্মা হৌজিক নঙগা ফোন্দা ৱারী শান্নরিবদুবু ইবুংঙো সারদুরা? |
| মেমীসনা | :- | মানি খুরা, হয়েং অয়ুক ঐখোয়দা লাক্কনি, নহাল টেষ্ট তৌনবা পুখিবা সোইল অমদি ঈশিংশিংদুগী রিজল্টসু লোয়না পুরক্লগনি। |
| তোনথোইবা | :- | ফরে অদুদি, হয়েং সারনা রিজল্ট পুরক্লবদি ঐখোয়গী লৈবাক লৈহাও অমদি ঈশিংদা করি ৱাৎলিবা হেনলিবা পুন্নমক খঙলনি অদুদগীদি ঐখোয়গী পোৎথোক হন্থরক্লিবা অসিসু অমুক হেনগৎহন্নবা উপাই লৈরনি। |
| থন্বালঙৌবী | :- | পুন্নমকসে ইবেম্মা নঙনা শিনবীবদগীনিদো, ঐখোয় খুনসিদা নঙগুন্বী অমা পোক্লম্বসে ঐখোয়গীদি ওন্থোক্লা লাইবক ফবনি। |
| মেমীসনা | :- | ইন্দোল ঐনা ঐগী তৌফম থোকপা ইথৌ খরদং পাংথোকচবনি অদুদি খুরা, ..... আ তোনথোইবা ঐখোয় অমুক হনলসিদনা। |
| মেরাজাও | :- | হোয় হোয় হনলসি, চৎলসি লাকও লাকও। |

-ম্যুজিক-

(মফম: মেমীসনাগী য়ুম, মতম: অয়ুক মীয়াম তীনবগী ৱারী ৱাতাই শান্নবা অমগা অমগা ৱারী শান্নবগী মীনিল)

শিলহেনবা :- ময়াম পুন্নমক অমুক্তা নে তানা ফম্বীয়ো, ঐনা মফমসিগী তোঙান-তোঙানবা লৌবুকশিংগী লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌরপকদগী খঙলকপা ৱারোলশিং অদু ময়ামদা তমজগে।

ময়াম :- তাশি তাশি তুমিন তুমিন লৈনরো, ইবুংঙো সার সিনা হায়বা ৱাশিংসে মমুৎ তানা তাহৌশি।

মেমিসনা :- ইন্দোল, খুরা, তোনথোইবা লাকও চংঙকও শোমদা ওইনা হেক্তা ফমলশি।

শিলহেনবা :- ঐনা লৈবাক লৈহাও অমদি মফমসিগী ঈশিং চাংয়েং তৌবদা সোল্টকী শরুকশিং হায়বদি থুমগী শরুকশিং চাং ৱাংনা য়াওবা থেংনরে।

মেরাজাও :- থুমগী শরুকশিং হায়বদি করম করম্বা মখলনোনে ইবুংঙো, খুরাহোয়দি গ্যান অমা তাদরেদা।

শিলহেনবা :- খুরা! লৈবাক লৈহাও অসি মিনরেলগী শরুকশিং, ওর্গানিক মেটরশিং অমদি ঈশিংগী শরুক অদুগা গ্যাসকী শরুকশিং অসি পুনশিনলগা শেম্বনি, হায়রিবা অসিদা সোদিয়ম ক্লোরাইদ, সোদিয়ম নাইত্রেৎ, সোদিয়ম সলফেৎ, সোদিয়ম বাইকার্বোনেৎ, সোদিয়ম কার্বোনেৎ, কেলসিয়ম ক্লোরাইদ, পোটাসিয়ম ক্লোরাইদ, মেগনসিয়ম ক্লোরাইদনচিংবগী চাং ৱাংনা য়াওরবদি লৈবাক লৈহাও অদু থুমগী শরুক চাং ৱাংনা য়াওরে হায়বদি সেলাইন সোইল ওইরে অমদি হায়রিবা মিনরেলশিং অসিগী চাং ৱাংনা ঈশিংদা য়াওরবদি ঈশিং অদুসু থুমগী শরুক চাং ৱাংনা য়াওরে হায়না লৌই।

থম্বালঙৌবী :- ঐখোয়গী লৈবাক লৈহাওসিদদি করম্না থুমগী শরুক ৱাংনা য়াওরক্লিবনো?

মেমীসনা :- ইন্দোল, লৈবাক লৈহাওদা সেলাইন সোইল ওইরক্লবগী মরমশিংদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা নোং তাবগী চাং ৱাৎলকপা, কা হেন্না শাগৎলকপদগী লৈবাক লৈহাওদা য়াওরম্বা ঈশিংগী শরুকশিং মনিল ওন্দুনা পাইথোকখিবগী চাং ৱাংখৎলকপা, ঈশিং কুইনা অকুৎপা মফমশিংদা তুংশিন্দুনা চেনথফম লৈতদুনা লৈবা ইশম শম্না হায়রবদা দ্রেনেজ সিস্তেম ফজনা লৈতবা, ঐখোয়না লৌউশিংউবদা কা হেন্না ফর্টিলাইজর শিজিন্নরকপা, লৌউশিংউবদা শিজিন্নরিবা ঈশিংগী শরুকশিংদা মিনরেল সোল্ট চাং ৱাংনা য়াওরকপা মরম ময়ামসিননি।

তোনথোইবা:- ঐখোয়গী ইরম অসিগী লৈবাক লৈহাওদা সোল্টকী চাং ৱাংনা য়াওরবসিনদি সমুদ্রিগী ময়া নক্না লৈবা লমশিংগী লৈবাক লৈহাওদি কা হেন্না থুমগী শরুকশিং য়াওরম্লগনি।

শিলহেনবা :- উম চুন্মী, অদুগা ঐখোয়না থুমগী শরুক য়াওবা লৈবাক লৈহাও অসিবু মখল কয়ামরুম থোক্লা খায়দোকপা য়াই, মখলশিং অদুদি সেলাইন সোইল, কোষ্টেল সেলাইন সোইল, সেলাইন-সোদিক, সোদিক অমদি এসিদ-সলফেৎ সোইল হায়না।

মেরাজাও :- ইবুংঙো সার, ঐখোয়গী খুনগী সোইল অসি সেলাইন সোইল ওইরে হায়রবনিনা ঐখোয়না হেক য়েংবদা লৈবাক্কী মশক মওং মচু অসি করম হায়না উগনি।

শিলহেনবা :- খুরা সেলাইন সোইলগী মশক মওং অসি হেক য়েংবদা ঙৌরুনবা নত্রগা ৰাওথাংনবা মচু ওইনা উগনি অদুগা লৈঙোয়গী মওং ওইনসু উগনি। কেলসিয়ম অমদি মেগনিসিয়ম সোল্টকী শরুক চাং ৰাংনা য়াওই অদুগা সোদিয়ম সোল্টকী শরুক্কা চাং খরা হন্থনা য়াওই।

মেমিসনা :- কোষ্টেল সেলাইন সোইল অসিনা অচৌবা তুরেলশিংগা সমুদ্রগা শম্নফম মফমশিংগী অকোইবদা ফংলিবা লৈবাক লৈহাও মখল অদুবুনি সোদিয়ম ক্লোরাইদ, সোদিয়ম সলফেট, কেলসিয়ম ক্লোরাইদ, কেলসিয়ম সলফেৎ, মেগনিসিয়ম ক্লোরাইদ অমদি মেগনিসিয়ম সলফেৎনচিংবগী চাং য়াম্না য়াওই।

থম্বালঙৌবী :- ঐখোয়গী লৈবাক লৈহাওদা থুমগী শরুক ৰাংখৎলক্লিবা অসিগা চাথোক হন্থরক্লিবা অসিগা মরী লৈনবরা ইবুংঙো সার?

শিলহেনবা :- উম য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ, খুন অসিদদি ফৌনা মরুওইনা থায়, ফৌ পাম্বীশিংদি সেলাইন সোইলদা মপুং ফানা ফজনা হৌবা ঙমদে অদুনা চাথোক কাহেন্না হন্থরক্লিবনি।

তোনথোইবা :- তাদা চাওবগী লৌফমদি ফৌ থাবগী মহুৎতা কোবী, হঙ্গাম য়েলানচিংবা থায়, পোৎথোকসু য়াম্না লৈ অদুনা হঙ্গাম কোবীশিং অসিদি সেলাইন সোইলদসু হৌবা ঙম্বা পাম্বীশিং ওইবা তারে।

মেমসিনা :- উম অচুম্বনি পাম্বী মখল খরদি সেলাইন সোইলদা ফজনা অদুম হৌবা ঙম্মী। হৌজিক মালেমগী মফম অয়াম্বদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী নোং তাবগী চাংদা অকায়বা অহোংবা কয়া থোরকপা শাবগী চাং ৰাংখৎলকপা, ইংবগী চাং হেনগৎলকপা, সমুদ্রগী ঈশিং ইমায় ৰাংখৎলকপা মরম ময়ামসিদগী হান্নগী লৈজরম্বা লৈবাক লৈহাওগী মশক মওং, কেমিকেল কম্পোজিসনদা চাওনা অহোংবা ওইহনলক্লি।

মেরাজাও :- ঐখোয়না হৌজিক তৌগদবসি করি করিনো হায়বদুসু অমুক্তা তাকপীয়ু ইবুংঙো, ঐখোয়গী লৈবাক লৈহাও অসি করম্না ফগৎহন্দুনা হান্নগী পোৎথোক লৈবা খুন অদু ওইহনবা য়াগদগে।

শিলহেনবা :- হৌজিক ঐখোয়না তৌবা য়াবা খরদং হায়রবদা সোইল মেনেজমেন্ট প্রাক্টিসশিং হায়বদি বাইওলোজিকেল, হাইড্রোলিক, কেমিকেল অমদি ফিজেকেল মেথদ খরদি পায়খৎতবা য়াররোই।

থম্বালঙৌবী :- করিনো ইবুংঙো নঙনা হায়রিবা মেথদ ময়ামদুবো ইন্দোলদি মমিংশিংদু তাবদা কোক্কা লোয়না ঙাওরে।

মেমিসনা :- (নোকপা) ইন্দোল সিদগীদি ঐখোয় ময়াম চংদুনা ঐখোয় খুনসে হান্নদৌনা পোৎথোক য়াম্না পুথোকপা ঙম্বা খুন অমা ওইহনলদোইনে, সিদগীদি কোক ঙাওবগা লোয়না ফরদৌনি।

তোনথোইবা :- সার ঐখোয়না মরুওইনা তৌগদবা থবকশিং অদুগী মরমদসু খরদং তাকপীয়ু।

শিলহেনবা :- ঐখোয়না য়ারিখৈ কেমিকেল ফর্টিলাইজর শিজিন্নবগী মহুৎতা ওর্গানিক ফর্টিলাইজর হায়বদি মনা-মশিং পৎথ পুমথরবশিংদগী শেন্বা হার, কম্পোষ্ট, শন্থি, শনয়ুংনচিংবা শিজিন্নবীবা, উ পান্বী মরায় কায়না থাবীবা, ইথৈ-লৌখোং ফগৎহন্দুনা অফবা ঈশিং মরাং কায়না ফংনবা হোৎনবীবা, য়ারিখৈ ঈশিং মফম অমদা তুংশিন্দুনা লৈতনবা হোৎনবীবা, লৈবাক লৈহাও মাঙখিদনবা মথক থংবা সোইলগী শরুকশিং উনা-ৰানা, উকুপ ৰাইকুপশিংনা কুপশিন্দুনা থম্বনচিংবশিং অসি তৌবীরবদি খরমখৈদি কান্নগনি। ঐখোয়না তৌগদবা পাইখৎকদবা থবকশিং অদুদি নোংমা অমুক ফজনা মমুৎ তানা খন্নরসি।

মেরাজাও :- ইবুংঙো, ঐখোয়না হৌজিক লৌউ-শিংউবগী হীরমদবু ওইরো, হকশেলদবু ওইরো, অকোইবগী ফীভমদবু ওইরো অৰাবা খুদোংথিবা ময়াম নংলক্লিবসি নোয়গী গ্লোবেল ৰার্মিং অমদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ হায়বদুনা ওইহলক্লিবনিকো।

মেমিসনা :- মদুদি য়াম্না চুল্লবা ৰানি খুরা, হৌজিক ঐখোয়না অৰাবা কয়া মায়য়োক্নরক্লিবসে ঐখোয় মীওইবনা থোকহঞ্জবনি।

থম্বালঙৌবী :- অদুদি ইবেম্মা, ইবুংঙো, মীওইবা ঐখোয়না অৰাবা খুদোংথিবসিদগী ঙাকথোক্কে হায়রদি ঐখোয় পুম্নমক গ্যান তামিন্নবা তাবনি।

শিলহেনবা :- অচুম্বনি ইন্দোল, অদো ময়াম পুম্নমক ঙসিগীদি ঐ অমুক হঞ্জরগে। য়াম থুনা অমুক লাকঅগা ময়াম পুন্না করি করিনো তৌবা য়াবা খুদিংমক তৌমিন্নরসি।

তোনথোইবা :- সরনা ঐখোয় খুনগীদমক হোৎনবীরিবশিং অসিগীদমক থাগৎচরি অদুদি সার ঐখোয় অমুক লৈজহৌরগে।

ময়াম :- (লাংবা) ঐখোয়সু হল্লসি... হল্লসি... চৎলসি লাকওহে...।

মেমিসনা :- সার ! ঐসু ওফিস কাবা মতম ওইরক্লে পুন্না অদুম চৎমীন্নখ্রসি।

শিলহেনবা :- লাকও লাকও চৎসি (গাড়ী থৌখিবা)।

-ম্যুজিক-